# ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগঃ চেন্নাই সুপর কিংসনা কলকাতা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে

INDIAN PREMIER LEAGUE 2018



চেন্নাই, এপ্রিল ১১ঃ
ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ২০১৮ গী ঙসি চেন্নাইদা লৈবা এম এ চিদামবারাম ষ্টেদিয়মদা চেন্নাই সুপর কিংস অমদি কলকাতা নাইট রাইদর্স টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা চেন্নাই সুপর কিংসনা কলকাতা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা চেন্নাই সুপর কিংসনা তোচ ঙমদুনা বোলিং খনখি।

কলকাতা নাইট রাইদর্সনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২০২ লৌখি।

কলকাতা নাইট রাইদর্সকী রনশিং অদু খৃস লিননা বোল ১৬ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২২, সুনিল নেরিননা বোল ৪ দা রন ১২, রোবিন উথাপ্পানা বোল ১৬ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৯, নিটিস রানানা বোল ১৪ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৬, দিনেস কার্থিক না বোল ২৫ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৬, রিনকুনা বোল ৪ দা রন ২, এন্দ্রে রুসেলনা বোল ৩৬ তা সিক্স ১১ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ৮৮ অমদি তোম কুরেননা বোল ৫ দা রন ২ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোলিং তৌখিবা দিপাক চাহরনা ওভর ১ দা রন ১৮, হরভজন সিংহনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১১, সেন ৱাটসননা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৩৯, রভিন্দ্র জদেজানা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১৯, ইমরান তহিরনা ওভর ৪ লংদা রন ২৬, সরদুল থাকুরনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩৭ অমদি ৱেনে ব্রাভোনা ওভর ৩ লংবদা রন ৫০ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা চেন্নাই সুপর কিংসনা ওভর ১৯.৫ তা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২০৫ লৌদুনা কলকাতা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখিবনি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী রনশিং অদু সেন ৱাটসননা বোল ১৯ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪২, অমবাটি রায়ুদুনা বোল ২৬ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৬, সুরেস রাইনানা বোল ১২দা সিক্স ১ য়ৈরগা রন ১৪, এমএস ধোনি (কেপ্টেন এন্দ ৱিকেট কিপর) না বোল ২৮ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন রন ২৫, বিল্লিংসনা বোল ২৩ দা সিক্স ৫ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৫৬, রভিন্দ্র জাদেজানা বোল ৭ দা সিক্স ১ য়ৈরগা রন ১১, দিৱেনে ব্রাভোনা বোল ৫ দা সিক্স ১ য়ৈরগা রন ১১ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোলিং তৌখিবা কলকাতা নাইট রাইদর্সকী বোল্লর ভিনেস কুমারনা ওভর ১.৫ লংবদা রন ৩৫, পিয়ুস চৌলানা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪৯, এন্দ্রে রুসেলনা ওভর ৪ লংবদা রন ৩৫, তোম কুরেননা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৩৯, সুনিল নেরিননা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১৭, কুলদিপ য়াদবনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৭ পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েং হায়দ্রবাটতা লৈবা সৱাই মানসিং ষ্টেদিয়মদা রাজস্থান রোয়েলস অমদি দিল্লি দিয়রদেভিলস টিম অনীনা ৬শুবা মেটচ ওইনা লম্বা থেংনরগনি।

**IPL, 2018 - Points Table**

| Teams | Mat | Won | Lost | Tied | NR | Pts | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Chennai Super Kings | 2 | 2 | 0 | 0 | 0 | 4 | +0.254 |
| Sunrisers Hyderabad | 1 | 1 | 0 | 0 | 0 | 2 | +1.771 |
| Kings XI Punjab | 1 | 1 | 0 | 0 | 0 | 2 | +0.567 |
| Kolkata Knight Riders | 2 | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | +0.195 |
| Mumbai Indians | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -0.271 |
| Delhi Daredevils | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -0.567 |
| Royal Challengers Bangalore | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -0.598 |
| Rajasthan Royals | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -1.771 |

# হেরো সুপর কপ ঃ মোহন বগাননা লাজোং এফ সিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

Hero SUPER CUP



কলকাতা, এপ্রিল ১১ঃ
হেরো সুপর কপ টুর্নামেন্টকী ঙসি কলকাতাদা লৈবা ভরাসাট ষ্টেদিয়মদা মোহন বগান অমদি লাজোং এফসি টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা মোহন বগাননা লাজোং এফসিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা অহানবা হাল্ফতা মোহন বগাননা লাজোং এফসিবু গোল ২–১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা মোহন বগাননা লাজোং এফসিগী মায়োক্তা গোল অমগা চনশিন্দুনা মোহন বগাননা লজোং এফসিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা মোহন বগানগী গোলশিং অদু ফাইজ এসনা১২শুবা মিনটতা গোল ১, নিখিল কে না ২২শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি মোগরাবী এনা ৬০ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখিবনি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা লাজোং এফসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কোফি এনা ২৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা মোহন বগানগী শান্নরোই কুমার জিনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। নাকল অমরোমদা লাজোং এফসিগী শান্নরোই দোই এলনা ৬২শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## ১৬শুবা ওফা কপ্তা বোলেরো সেক্তা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ
ওরিন্তেল ফুটবোল একাদেমী (ওফা) পুংদোংবমনা শিন্দুনা টিম ১১না শরুক য়াদুনা একাদেমী অসিগী গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা ১৬শুবা ওফা কপ ২০১৮, মণিপুর ওপন মেন্স নাইন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বোলেরো সেক্তা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি ওফা পুংদোংবমগা বোলেরো সেক্তাগা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা বোলেরো সেক্তানা গোল ৪–০দা মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিদা বোলেরো সেক্তাগী গোল দব্লিউ বিশেশ্বরনা মেটচকী মিনট ১১দা গোল ১ অমদি রুপানা মেটচকী মিনট ৪৪, ৪৫ অমসুং ৫৬ চৎপদা গোল ৩ চন্দুনা মেটচ ৪–০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা বোলেরোগা এস দব্লিউ এ অমদি অনিশুবা মেটচতা পুপুগা এফ এফ সিগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

## ৪শুবা এম সি এ ইলাইট টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ১০ গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্লুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়ম লুৱাংসংবমদা চথরক্লিবা ৪শুবা এম সি এ দব্লিউ প্রাহলাদা এন্দ দব্লিউ রমানন্দা ইলাইট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি চেম্প খাগেম্পলিগা ত্রাউ ক্লাকৈথেলগা শান্নখিবা মেটচ অমা নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা লোয়শিনবা ঙমদনা য়ৈথোকখ্রে।

## ২শুবা আরকেএফদি সঙাই ট্রোফি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ
আর কে ফোর্চুন দিভলবপরনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুনাইটেদ ভেতেরান ফুটবোল এসোসিয়েসন, মণিপুরনা শিন্দুনা মণিপুরগী ভেতেরান ফুটবোল টিম ১৯না শরুক য়াদুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ২শুবা আর কে এফ দি সঙাই ট্রোফি নোং–চিংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দ শান্নবা য়াদবদগী য়ৈথোরকখিবদু হয়েংদগী মেটচ মখা চথরগনি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ভিল্লেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট এল সি এল, আর ৱাই সি, লেৱা সেমি ফাইনেল চংখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ
য়ুথ পাইয়োনিয়ারস এসোসিয়েসন (ৱাই পি এ) হিয়াংলম হিরামৈনা শিল্লগা ভোল্লিবোল টিম ১২না শরুক য়াদুনা এসোসিসেন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ভিল্লেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অহুমদা এল সি এল, আর ৱাই সি, লেৱা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে অমদি মরিশুবা মেটচ অমা নোংনা মরম ওইদুনা শান্নখিদ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা এল সি এলগা টি কে দি এগা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচ অমদা এল সি এলনা সেট ৩–১ (২৮–৩০, ২৫–১৭, ২৫–১৫, ২৫–১৬)দা, অহুমশুবা মেটচতা আর ৱাই সিগা ৱাই পি সিগা শান্নবদা আর ৱাই সিনা সেট ৩–০ অমদি অহুমশুবা মেটচ অমদা লেৱাগা টি এল ৱাই সিগা লম্বা তৌন্দুনা শান্নবদা লেৱানা ৩–১ (২৫–২০, ২৫–১৯, ২৪–২৬, ২৫–২২)দা মায়থিবা পিখ্রে।

ঙসিগী মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ওইনা মিখ্যাগা এন ৱাই দি সিগা শান্নগদবদা নোংনা মরম ওইদুনা শান্নখিদ্রে।

## ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ কে এস দি ওনা নপসাবু রন ৪৩দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টিম ২১না শরুক য়াদুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কে এস দি ও ক্যামগৈনা নপসা খা–ইম্ফালবু রন ৪৩দা মায়থিবা পিখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৮শুবা মেটচ ওইনা কে এস দি ও ক্যামগৈগা নপসা খা–ইম্ফাল শান্নবদা কে এস দি ওনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২২১ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা নপসা খা–ইম্ফাল অপিবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৭৮ খক্তমক স্কোর তৌবদগী মেটচ অসি কে এস দি ওনা রন ৪৩দা মায় পাকখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে এস দি ও ক্যামগৈনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা তারিক অজিজনা বোল ২৫ মায়োক্লবদা রন ২৫, তিপুনা বোল ২৩দা রন ২৭, রামীজ অহমদনা বোল ৩২দা রন ২৫, রৈস রাজিনা বোল ১৫দা রন ১৯ অমদি করিমনা বোল ১৮দা রন ১৪ স্কোর তৌখি। ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা নপসা খা–ইম্ফালগী মুকুলনা ওভর ৬তা ৱিকেট ৪, আর কে চিংলেসনা ওভর ৬তা ৱিকেট ১, রোনেলনা ওভর ৬তা ৱিকেট ১ অমদি অদিত্যানা ওভর ৫দা ৱিকেট ১গা লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা নপসা খা–ইম্ফালনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা বেটসমেন মুকুলনা বোল ৭৭ মায়োক্লবদা রন ৫৮, অদিত্যানা বোল ৬৩দা রন ৫৬, ওকেন্দ্রোনা আউৎ ওইদনা বোল ১১দা রন ১৪ অমদি চিংলেসনানা বোল ১৬তা রন ১০ লৌখি। ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা কে এস দি ওনা সাহ নৱাজনা ওভর ৫দা ৱিকেট ২, তারিকনা ওভর ৬ ৱিকেট ১ অমদি করিমনা ওভর ৬তা ৱিকেট ১গা লৌখি।

মেটচ অসিদা কে এস দি ওগী তরিক অজিজনা রন ৩৩গা ৱিকেট ১ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং শান্নগদবা মেটচ অমদা ৱাই এস সি য়াইস্কুলগা সি দি সি সগোলবন্দ সলাম লৈকায়গা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

## টেন্নিস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ
মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৯ দগী ২৩ ফাওবা ১৭শুবা গভর্নর্স ট্রোফি কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানিংবশিংবনা থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম ওইগনি হায়রি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা কেতেগোরি অহুম থোক্লা খায়দোক্কনি।

অহানবদা চহি ১০ মখাগী সিঙ্গলস (বোইজ এন্দ গার্লস), অনীশুবদা চহি ১২ মখাগী সিঙ্গল (বোইজ এন্দ গার্লস). অহুমশুবদা চহি ১৪ মখাগী সিঙ্গলস (বোইজ এন্দ গার্লস) নি।

## ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা কেস প্রাইজ ওইবা ফাষ্ট লেট মোংজম ইবোচৌ এন্দ লেট অহনবী লৈমা মেমোরিয়েল ৯– এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ৌরবুং গ্রাউন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসনদগী থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

## অহানবা এমএলএ ট্রোফি ২০১৮ লনচেনবী এফ সি অমদি এনএফসি নোংমাইখোম মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ
কুম্বী অদর্স য়ুথ ওর্গনাইজেসন, কুম্বীনা শীন্দুনা চথরক্লিবা অহানবা এমএলএ ট্রোফি ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা লনচেম্বী এফসিনা এনৱাইদিএ নোংমাইখোংবু অমদি অনীশুবা মেটচতা এফএফসি নোংমাইখোংনা কেএৱাইও–বি কুম্বীবু মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা লনচেম্বী এফসিনা এনৱাইদিএ নোংমাইখোংবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা লনচেম্বী এফসিগী গোলশিং অদু টি ঐচ নোরেননা ১৯ শুবা মিনটতা গোল ১, অমরজিৎনা ২৩শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি দিনকুনা গোল ১ চনখিবনি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা এনৱাইদিএ নোংমাইখোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অর্টিম সিংহনা ৮শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা এনএফসি নোংমাইখোংনা কেএৱাইও–বি কুম্বীবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এনএফসি নোংমাইখোংগী গোলশিং অদু রিস না গোল ৪ অমদি রতননা গোল ১ চনখিবনি। মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা কেএৱাইও–বি কুম্বীগী গোলশিং অদু দব্লিউ উটমনা গোল ১ অমদি কে ঐচ প্রোদোনা গোল ১ চনখিবনি।

## তগ ওফ ৱার কম্পিটিসন গী ৱিন্নর কেক্রু য়াইরি ক্লবনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ঃ
সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, এসদিও য়াইরিপোক লাইমনাইনা শীন্দুনা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা অনীশুবা ওল য়াইরিপোক ৱান দে ৱুমেন্স ওপন তগ ওফ ৱার কম্পিটিসন ২০১৮ দা ৱিন্নর ওইরকখ্রবা কেক্রু য়াইরি ক্লবকী কোচ, মেনেজর, শান্নরোইশিংবু অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিংবু ঙসি লৈখিদ্রবা লোংজম মোধুগী য়ুমদা হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা কেক্রু য়াইরি ক্লব য়াইরিপোক্কী প্রসিদেন্ট অথোকপম সুনিল, ক্লব অসিগী হান্নগী ফাইনান্স সেক্রেটরী চকপ্রম ওকেন অমসুং য়াইরিপোক মুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৯ গী হান্নগী মেম্বর লোংজম নিলামানি না অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ক্লবকী অমদি স্পোর্টস নুংশিজবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শান্নরোইশিং, কোচ ওইখিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টদা লৈরিবা হুইদ্রোম রোজিৎ, মেনেজর ওইখিবা ক্লবকী মেম্বর হুইদ্রোম লৈশেম্বা অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিংদা ক্লবকী লেংয়ান পি অমমগা লোয়ননা শেলগী খুদোল তমখি।

নাকল অমরোমদা থা অসিগী ৮ দা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম অদু বামোন লৈকায় য়ুঠ ক্লব হায়গদবনি, নুংপ্রাং অপুন্বা মৈরা পায়বিনা তাগ্রে হায়না প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা ফোঙনখিবদু চম্মনবা অমদগী লান্না রিপোর্ট পীখিবনি হায়না ওর্গনাইজর এসদিও গী মাইকৈদগী ফোঙদোরক্লি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*